


# সনালৈবাক স্পোর্টস

**IMPHAL, SATURDAY, AUGUST 03, 2019 PAGE 7**




*লিভরপুল অমদি চেলসিনা শান্নগদবা য়ু ই এফ এ সুপর কপ্তা অহানবা নুপী রেফরি ওইনা ওফিসিয়েট তৌগদৌরিবী ষ্টেফানি ফ্রাপ্পার্ট*

*ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলনা লাওথোরকখিবা ৱুমেন'স টি–২০ ওল রাউন্দর রেঙ্কিংদা মকোক ওইখ্রবী ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই ইলিসে পেরি*

## নিরজনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন মেসিয়ানো মায়থিবা পীদুনা উমাখানোভ বোক্সিংদা ফাইনেল চঙখ্রে

*কাস্পিয়স্ক, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সি)ঃ*

রুশিয়াগী সিটি কাস্পিয়স্কতা চখরিবা মাগোমেদ সালাম উমাখানোভ মেমোরিয়েল ইন্টরনেসনেল বোক্সিং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী বোক্সর নিরজনা কেজি ৫৭ কী সেমি ফাইনেল বাওটতা কুমজা ২০১৬ কী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ইটালিগী বোক্সর এলেসিয়া মেসিয়ানোবু মায়থিবা পীরন্নগা ফাইনেল চঙখ্রে।



*কেজি ৫৭তা ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী বোক্সর নিরজ*

ষ্ট্রান্দজা মেমোরিয়েল বোক্সিংগী ব্রোঞ্জ মেডল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী বোক্সর নিরজনা ঙসি থিন্নখিবা কেজি ৫৭ গী সেমি ফাইনেল বাওটতা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ইটালিগী বোক্সর এলেসিয়া মেসিয়ানোবু য়াম্না লম্বা মান্নখিবা বাওট অমদা পোইন্ট ৩–২ দা মায়থিবা পীরন্নগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

থিন্নখিবা বাওট অসি অহানবা রাউন্দ হেক হৌবদগী বোক্সর অনীমক অমনা অমগী মায়োক্তা মখোয়গী হৈথোই–শিংথোইবশিং অদু উৎথোক্লদুনা পোইন্ট লৌনবা হোৎনরকখি। রাউন্দ অনীদা বোক্সর অনীমক পোইন্ট মান্নদুনা লাকখ্রবা মতুং অহুমশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী বোক্সর নিরজনা ফজবা খরা হেনখিবদগী বাওট অদু মহাক্না পোইন্ট ৩–২ দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি।

বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অঙনবদা পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৫৬ কী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা কম্মনৱেল্থ গেমসতা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী বোক্সর গৌরভ সোলানকিনা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্থু লৈবাক রুশিয়াগী বোক্সর মাকসিম চেরনিসেভপু পোইন্ট ৩–২ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী গৌরভ অমদি রুশিয়াগী চেরনিসেভনা থিন্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অদুসু অহানবা রাউন্দ হেক হৌরকপদগী মায় পাক্নবগীদমক পোইন্ট লৌনবা হোৎনরকখি। বোক্সর অনীমক পোইন্ট মান্ননা লাকখ্রবা মতুং অহুমশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী বোক্সর গৌরভ সোলানকিনা রুশিয়াগী চেরনিসেভতা পঞ্চ ফজবা খরা থিনখিবদগী বাওট অদু পোইন্ট ৩–২ দা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

রুশিয়াগী সিটি কাস্পিয়স্কিদা চখরিবা মাগোমেদ সালাম উমাখানোভ মেমোরিয়েল ইন্টরনেসনেল বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি থিন্নখিবা নুপাগী কেজি ৪৯ গী ক্বার্টর ফাইনেল বাওটতা ইন্দিয়াগী বোক্সর গোবিন্দ সাহানিনা টাজিকিষ্টানগী বোক্সর সেরমুখামদ রুষ্টামোভপু য়াম্না হেনবা মওংদা অহুমশুবা রাউন্দ লোইশিনদ্রিঙৈদা মায়থিবা পীরন্নগা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা মহাকসু মেডল অমদি শোয়দনা ফংলগনি।

উমাখানোভ বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী কেজি ৫২ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর আসিস ইনসা ঙসি থিন্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল বাওটতা রুশিয়াগী বোক্সর ইসলামিটদিন এলিসোল্টানোভকী মখূত্তা পোইন্ট ১–৪ দা মায়থিহৌবদগী মেডল রাউন্দ য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌখি।

## সোনমনা কেদেট ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড লৌখ্রে

*সোফিয়া, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সি)ঃ*

বলগেরিয়াগী কোনুং সোফিয়াদা চখরিবা কেদেট ৱার্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলর সোনম মালিক্না কেজি ৬৫ কী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।

কেদেট ৱার্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীগী কেজি ৬৫ গী ঙসি পাঙথোকখিবা ফাইনেল বাওটতা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর সোনম মালিক্না চাইনাগী রেষ্টলর বিনবিন জিয়াংবু পোইন্ট ৭–১ দা মায়থিবা পীরন্নগা গোল্ড মেডল লৌখি।

নুপাগী কেজি ৪০ গী সেমি ফাইনেল বাওটতা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর কোমল মায় পাক্তুনা গোল্ড মেডল বাওটতা য়ু এসকী রেষ্টলর ষ্টেরলিং ব্লেকেগা শান্নরগনি।

নুপাগী কেজি ৪৮গী ব্রোঞ্জ মেডল প্লে ওফতা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর উদিতনা অজরবাইজানগী জাভিদ জাভাদোনবু পোইন্ট ১১–২ দা মায়থিবা পীরন্নগা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি। অদুগা কেজি ৫৫ গী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী অমানন্না টর্কিগী মুহমেট কারাভসপু পোইন্ট ১০–৬ তা মায়থিবা পীখি।

নুপাগী কেজি ৬৫ গী ব্রোঞ্জ মেডল প্লে ওফতা ইন্দিয়াগী মনিস গোস্বামীনা অজরবাইজানগী কুদ্রাটবেক নুরুল্লেভপু পোইন্ট ৫–২ দা থোইদুনা মেডল অসি লৌখি। নুপাগী কেজি ১১০ গী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী অনিরুধ কুমারসু সালার সেদপু পোইন্ট ৮–১ দা মায়থিবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি।

## 'ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী নৌনা খল্লবা প্রসিদেন্ট শ্রী মোইরাংথেম রতনকুমার সিংহ'

**এল. কালা উরিপোক**



ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) মমাঙ হৌখিবা টার্ম অমদি চয়েৎনবা খরা মপুং মরৈ ফাদবা টার্ম অমা ওইনা হৌখ্রবসু লাক্কদৌরিবা টার্ম ২০১৯–২৩, ফাওবগী ওইনা অনৌবা থৌ পুগদবশিং খল্লকপদা শ্রী মোইরাংথেম রতনকুমার সিংহসু থৌবুরেল (প্রসিদেন্ট) ওইনা খল্লকপা হায়বসি মণিপুর ফুটবোল মশান্নদা হান্নদগী হেন্না ফবা চাওখৎপা মাইয়োন অমদা শোয়দনা পুরক্লগনি হায়না পূম্নমক্না থাজবা থম্বা য়াই। শান্নরোই অমা ওইনা ঐসু হৌরকখিবনা ঐ শ্রী মোইরাংথেম রতনকুমার সিংহ মুন্না খঙই। ময়াম্না মাবু রতন, রতন হায়রগা অদুমক কৌনবনি। মহাক য়াম্না নহা ওইরিঙৈ মতমদগী শান্ন–খোৎনবগী লমদা থৱাই য়াম্না য়াওনা হৌরকখিবা মীওইনি লোয়ননা লমদমসিদা শান্ন–খোৎনবগী লমদা মশক নাইবা অহল–লমনশিংগী মরক্তা চাওরকখিবা হৌরকখিবা মীওই অমসুনি। য়াম্না নহা ওইরিঙৈ স্কুলগী থাক্তগী লমজেল্লোই অমা ওইনা, ফুটবোল্লর অমা ওইনা হৌরকখিবগা লোয়ননা কলেজগী থাক্তা, নেসনেলগী থাক্তা লমদমসিবু শক্তাক্তুনা মীংচৎ কয়া পুরকপদা শান্নরোই অমা ওইনা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌদুনা শরুক য়ারকখ্রবা শান্নরোই অমসুনি লোয়ননা মণিপুরগী মমিং লৈরবা ক্লব টিদিম রোদ এঠলটিক য়ুনিয়ন, মীয়াম্না ট্রাও হায়রগা খঙনবা মশক নাইরিবা ক্লব অসিগীসু অচঙবা মশক নাইবা শান্নরোই অমা ওইনসু হৌরকখিবনি। মতম মতমগী ওইনা মাগা ফুটবোল শান্নমিন্নখিবা শান্নরোইশিংদা য়াম্না নুংঙাইনা শান্নহনবা ঙমখিবগী মগুন পীথোরকপা অমা ওইনা লোইনরকখিবা ঈং তপ্পা শান্নরোই অমসু ওইবা মীওইনি। এক্তিভ ফুটবোল শান্নরম্বদগী পোথারবা মতুংদসু ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট কয়াদা শরুক য়াবা য়াওখিবা অয়েংবশিং পূক্নিং চিংশিনবা ঙমখিবা শান্নরোই ওইখিবদা নত্তনা ফুটবোল মশান্নগীদমক থৱাইনা পোন্থা ওইদ্রিবা ফাওবা হোৎনখিগনি হায়বা ৱাখল্লোন্দা কৎথোকপা অমগা লোয়ননা ফুটবোল মশান্না তাকপী তম্বীবগী (কোচ) ট্রেন্নিং কয়া ফংলবা মশান্নসিগী মরমদা কাচিন–কোয়া য়ৌনা খঙ–হৈরবা মীওই অমসুনি শ্রী মোইরাংথেম রতনকুমার সিংহ।

হৌজিক্তি ফুটবোল শান্নরোই অমা ওইনা হৌরকখিবা থেংনরকখিবা অৱা নুংঙাই, অৱাৎ–অপা কয়া খঙলকখিবা লোয়ননা কোচ অমা ওইনসু তাকপী তম্বীবগী লমদসু থেংনরকখিবা অপেন–পেন্দ পূম্নমক থেংনরক্লবা খঙলক্লবা মতুং অসিদা থবক পাঙথোকপা ঙম্বা দায়ত্য লৈরবা মী অমা ওইনা মশান্নশিংগী এপেক্স বোদি ওইরিবা অম্ফাগী এদমিনিষ্ট্রেটর প্রসিদেন্ট অমা ওইনা থবক পায়রবনিনা হৌখিবা কয়াদা অশোয়বা য়াওখিবা কয়া অমা খরদংদা ওইরবসু শেমদোক্তুনা মেনগৎপা ঙম্লগনি হায়না থাজবা থম্লি মশান্নসিবু পামজমা নুংশিজবা মীওই কয়ানা সন্টোস ট্রোফি অমসুং জুনিয়র নেসনেল অমুক্তং চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্নবা হোৎনরক্কনি লোয়ননা নীপীগী হৌজিক লৈরিবা থাক অসিদগী হেন্না হেনগৎপা ঙম্নবা হোৎনরক্কনি হায়বগী থাজবা অশা থম্লি।

অহানবা ওইনা অম্ফাগী প্রসিদেন্ট খল্লবা মতুংদা অহানবা ওইনা পাওমীশিংগা উন্নবদা ফোঙদোকখিবদা লৈখিদ্রবা অহৈবম বোরচান্দ সিংহনা হিংলিঙৈদা ফিফাগী প্রোজেক্ট ষ্টেট অসিদা পুরকপা ঙমখিবা অদুবু নৌহৌনা নীংশিংদুনা লৈখিদ্রবনা নিংজরম্বা মঙলান মঙফাওহনবা ঙম্নবা অহানবা খোঙথাং ওইনা অচেৎপা খোংফম অমগা লোয়ননা হোৎনগনি ফোঙদোকখিবসি তাবদা পূক্নিংদা থুক লাওবা মথুম মরাং হৌহনবা হায়নিংঙাই লৈতবা নুংঙাইবা অমা ফাওই। লৈখিদ্রবা অহৈবম বোরচান্দ সিংহ মতম অমদা অম্ফাগী সেক্রেটরী জেনরেল থৌ পুরম্বা মখা থাবশিংনদি তা বোরচান্দ কৌনজবা নীপা অসি, মীকৌ মীরম য়াম্না ফজবা মথক থোংবশিংদা য়াম্না ইকাই খুম্না থকসি খঙনা হোৎনরম্বা অহল লমন ময়ামশিংগী মনুংদা তোমথিন ঙানবা মশক থোকপা মায়কৈ তাকপা ঙম্বা ধ্রুভ তারাগুম্বা ঙানথোইরম্বা মীশক অমনি। করিগুম্বা পূন্সি খরা শাংনা হিং লম্বা থোক্লবদি মহাক ইন্দিয়াগী, এসিয়া ফুটবোল কনফেদরেসন অমদি ফিফাগী থাক্তা ফাওবা মশক নাইবা মীওই অমা শোয়দনা ওইরম্বা য়াবা মীওইনি। মণিপুরনা ফুটবোল মশান্নদা ঙসি মালেম্না শক খঙনবা লমদম অমা ওইরিবসে ওইনবা হোৎনখিবদা মখোং শেংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা হোৎনখিবা মীওইনি। মহাক্না হিং লিঙৈ মতমদা মশান্নসিবু (নুপা, নুপী) অনৌবা মাইয়োন অমদা পুরক্নবা হোৎনবদা এ আই এফ এফ, এ এফ সি অমদি ফিফা ফাওবগী থাক য়ৌনা চঙশিন্দুনা মণিপুরী মচা অমা হোৎনরমখিবা মীওইনি। ফুটবোল শান্নবা খক্তগী লমদদা নত্তনা মশামক ফুটবোল মশান্নগী ক্লাস ৱান রেফরি অমা ওইনসু লমদমসিগী হৌগৎলক্লিবা রেফরি কয়া অমবুসু লমজিং লমতাক্লম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা মীওইনি। ঙসি লমদমসিনা মালেম্না শকখঙলবা রেফরি পুথোক্লিবা অসিসু মহাক্না চাওনা হোৎনরম্বগী মহৈনি হায়বা তাই। তশেংবমক লৈখিদ্রবা অহৈবম বোরাচান্দ সিংহ অচঙবা ইকাই খুম্ননিংঙাই ওইবা মীশক অমনি। শ্রী মোইরাংথেম রতনকুমারনা মাবু নৌহৌনা নীংশিংদুনা অহানবমক্তদা মানা নিংজরম্বা মঙলান মঙফাওন্নবা খোংফম চেৎনা লেপ্পুনা হোৎনগনি হায়বসিমক লৈখিদ্রবা অহৈবম বোরাচান্দ সিংহদা কৎচবা শ্রধানজলি অমা ওইহনবগা লোয়ননা শ্রী রতনকুমারগী হোৎনজবা খূদিংমকসু মহৈ য়ানবা ঈশ্বরনা পীনবিবা থৌজানবীবা ওইসনু। লমদমসিদা হৌজিক লৈরিবা ফুটবোল মশান্নগী ষ্টেন্দর্দ অসি হেন্না হেনগৎনবা হোৎনবদা গ্রাস রুট লেবেলদগী হোৎনরগা শান্নরোই পুথোক্ত্রবদি য়ারোই খঙনা গ্রাস রুট লেবেলদগী হোৎনবদা নৌহৌনা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা হোৎনগনি হায়বসিদা নৌনা খল্লবা অম্ফাগী প্রসিদেন্টতা মতেং পাঙবিফম থোকই। অম্ফা মপাঙ্গল কনবা মীয়াম্না ইকাই খূম্নবা অম্ফা অমা ওইহনসি।

## ইন্দিয়াগী রানকিরেদ্দি অমদি চিরাগ সেট্টি থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টনগী নুপাগী দবলসতা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*বেঙ্কোক, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সি)ঃ*

থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা চখরিবা য়ু এস দোলর ৩৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপাগী দবলসকী পেয়র সাটৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দি অমদি চিরাগ সেট্টি মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।



থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী পেয়র সাটৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দি অমদি চিরাগ সেট্টিনা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র চোই সোলগিয়ু অমদি সিও সিয়ুং জেবু ২১–১৭, ১৭–২১, ২১–১৯ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

ইন্দিয়াগী পেয়র এস রানকিরেদ্দি অমদি চিরাগ সেট্টিনা সেমি ফাইনেলদা অতোপ্পা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র কো সুং হিয়ুন অমদি সিন বেক চিওলগা শান্নরগনি।

থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই বি সাই প্রনিথ ৭শুবা সিদেদ জপানগী কেন্টা সুনেয়ামাগী মখূত্তা ষ্ট্রেট গেম অনী ১৮–২১, ১২–২১ দা মায়থিহৌখি।

ইন্দিয়াগী প্রনিথপু থোইরম্বা জপানগী সুনেয়ামানা সেমি ফাইনেলদা হোং কোংগী ঙা কা লোং এঙ্গসকা শান্নরগনি। ঙা কা লোং এঙ্গসনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা থাইলেন্দগী কে ফেটপ্রাদাবপু ২২–২০, ১৭–২১, ২১–১৭ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৩শুবা সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেন অমদি মালেসিয়াগী লি জিয়া জিগা শান্নরগনি।

চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেননা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৬শুবা সিদেদ জপানগী শান্নরোই কেন্টা নিসিমোটোবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১২, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীরন্নগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মালেসিয়াগী লি জিয়া জিনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দোনেসিয়াগী এস ঐচ রুষ্টাভিটোবু গেম অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ১১–২১, ২১–১৪, ২১–১৩ দা থোইরম্বনি।

থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা নম্বর ৱান সিদেদ চাইনাগী চেন য়ুফেনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা মালেসিয়াগী সোনিয়া চিহাবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১৫, ২১–৮ দা মায়থিবা পীরন্নগা সেমি ফাইনেলদা জপানগী সায়াকা টাকাহসিগা শান্নরগনি।

জপানগী টাকাহসিনা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী ফিত্রিয়ানিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২২–২০, ১৫–২১, ২১–১৪ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা থাইলেন্দগী শান্নরোই অনী ৬শুবা সিদেদ রাটচানোক ইন্টানোন অমদি পি চোচুৱোং শান্নরগনি।

ইন্টানোননা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনাগী চেন জিয়াংজিনবু ২১–১৭, ২১–১৫ দা মায়থিবা পীরম্বনি অদুগা চোচুৱোংনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা হোং কোংগী চিয়ুংবু ২১–১৫, ১৫–২১, ২১–১২ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী কাঙলূপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী পেয়র এস রানকিরেদ্দি অমদি আস্বিনি পোনাপ্পা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৩শুবা সিদেদ জপানগী পেয়র ৱাই ৱাটানবে অমদি এ হিগাসিনোগী মখূত্তা ১৩–২১, ১৫–২১ দা মায়থিহৌখি।

## ইন্দিয়াগী এঠলেটশিংনা জুলাই থাদা ইন্টরনেসনেল মেডল ২২৭ লৌখি

*ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা তোঙান–তোঙানবা মশান্নশিংদা হৌখিবা জুলাই থা খক্তদা মালেমগী থাক্তা মেডল ২৭৭ লৌদুনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরকখ্রে।

এঠলেটিক্স, রেষ্টলিং, ৱেঠলিফটিং, জুদো, বেদমিন্টন, বোক্সিং, টেবল টেন্নিস, পেরা সুট্টিং অমদি সুট্টিং মশান্নশিংদা হায়রিবা মেডলশিং অসি লৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপী এঠলিট অসাম মচা হিমা দাসনা নুমিৎ ২০গী মনুংদা ইন্টরনেসনেল গোল্ড মেডল ৫ লৌবা ঙমখি। মালেমগী ওইনা বোক্সিং মশান্নদা মমিং লৈরবা তরুকলক ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখ্রবী মণিপুর মচা এম সি মেরি কোমনা হন্দক্তা ইন্দোনেসিয়াদা পাঙথোকখিবা প্রসিদেন্টস কপ বোক্সিং টুর্নামেন্টকী কেজি ৫১ গী কেটেগোরিদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলর ভিনেস ফোগটসু হন্দক্তা টর্কিদা পাঙথোকখিবা য়াসাক দোগু চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

জুদোকা তবাবী দেবী, ৱেঠলিফটর মিরাবাই চনু, সুট্টং মেহুলি ঘোস অমদি ইলাভেনিল ভালারিভানসু মালেমগী থাক্তা তোঙান–তোঙানবা গোল্ড মেডলশিং লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী এঠলেটশিংনা জুলাই থাগী মনুংদা অপুনবা মেডল ২৭৭ লৌখিবা অসিগী মনুংদা মেডল ৭১ দি এঠলেটিক্স মশান্নদা ওইখি। এঠলেটিক্সতা লৌখিবা মেডলশিং অসিগী মনুংদা অসামগী এঠলেট হিমা দাসনা গোল্ড মেডল ৫ লৌখিবা অসিনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি। ৱেঠলিফটিং মশান্নদনা মেডল ৩৫ অমদি সুট্টিং মশান্নগী ওইনা মেডল ২৪ লৌবা ঙমখি।

জুদো মশান্নদা মেডল ৬, বোক্সিং মশান্নদা মেডল ২১, রেষ্টলিং মশান্নদা পুন্না মেডল ৫০ অমদি টেবল টেন্নিসতা মেডল ৭ লৌদুনা পুন্না মেডল ২৭৭ শুবা ঙমদুনা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরকপা ঙমখিবনি। কম্মনৱেল্ঠ টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়ানা পুন্না মেডল ৭ লৌবা ঙমখি।

## দুরান্দ কপ্তা মোহন বগানননা মোহমেদনবু ২–০ দা থোইখ্রে

*কোলকটা, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সি)ঃ*

এসিয়াগী খ্বাইদগী লিরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা দুরান্দ কপকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ক্লব অনী শান্নখিবদা মোহন বগানননা মোহমেদনবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

১২৯শুবা দুরান্দ কপ অসি ৱেষ্ট বেঙ্গলসকী মফম অহুমদা শান্নগনি। ফাইনেল মেটচতা কোলকটাদা লৈবা সোল্ট লেক ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২৪ দা শান্নগনি।

দুরান্দ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচ অদু কোলকটাদা লৈবা সোল্ট লেক ষ্টেদিয়মদা মফম অসিগী ক্লব মোহন বগান অমদি মোহমেদননা শান্নখিবনি।

মেটচ অসি হেক হৌবদগী মোহন বগানগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। শান্নবগী ২শুবা মিনটতা মোহন বগানদা শরুক য়ারিবা চামোরোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মখা তানা শান্নরকপদসু পাঞ্জল মাঙজিল থারিবা মোহন বগানগী শান্নরোইশিংনা এটেক অদুমক হেন্দুনা লাকখি। মেটচকী ২৪শুবা মিনটতা মোহন বগানগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা চামোরোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অপীবা মতমশিং অদু শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী দুরান্দ কপকী অহৌবা মেটচ অদু মোহন বগানননা মোহমেদনবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

দুরান্দ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা মণিপুরগী ক্লব টিদিম রোর্দ এঠলেটিক য়ুনিয়ন (ট্রাও) গ্রুপ 'দি' দা লৈরি। ট্রাওনা গ্রুপ অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা থা অসিগী ৯ দা ইন্দিয়ান এয়র ফোর্সকা শান্নদুনা কেম্পেন হৌদোক্কনি।

## গ্রিসকী সিটসিপাস অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী কিরগিওস সিটি ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

*ৱাশিংটন, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সি)ঃ*

গ্রিসকী ষ্টেফানোস সিটসিপাস অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিওস য়ু এসকী কোনুং ৱাশিংটনদা চখরিবা সিটি ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অহানবা সিদেদ ওইরিবা গ্রিসকী ষ্টেফানোস সিটসিপাসনা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোরদান থোমসনবু ৬–৩, ৭–৬(৭–৪) দা মায়থিবা পীরন্নগা ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ু এসকী জোন ইসনরগা শান্নরগনি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিওসনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দদা জপানগী য়োসিহিটো নিসিয়োকাবু ৬–২, ৭–৫ দা মায়থিবা পীরন্নগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভনা ১৬শুবা সিদেদ য়ু এসকী টিয়াফোবু ৬–২, ৭–৫ দা মায়থিবা পীরন্নগা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৬শুবা সিদেদ ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক্কা শান্নরগনি। ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক্না অহুমশুবা রাউন্দদা কানাদাগী ওগর এলিয়াসিমবু ৬–৩, ৬–৪ দা থোরম্বনি।

১৩শুবা সিদেদ বৃটেনগী কাইল এদমুন্দনা ফ্রান্সকী সোঙ্গাবু ৪–৬, ৬–৩, ৬–৪ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।


### মঙ / Wallet Lost

I have lost my wallet including (1) Aadhar Card bearing card no. 393781149433 and (2) Identity card of 1st MR Nambuland on the way between Ningombam Makha Leikai and Ningombam Keithen on 31st July 2019.

Finders are requested to hand over the same to the undersign.

Sd/-
Soibam Rupachandra Singh
Ningombam Makha Leikai
# 8731042051

SL/5176/03


ক্রোসৱার্দ ২৩৮ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| P | A | P | A | ■ | R | A | D | A | R | ■ | A | C | T | S |
| A | L | A | S | ■ | A | B | U | S | E | ■ | W | H | O | A |
| S | O | R | T | ■ | T | E | C | H | N | O | L | O | G | Y |
| T | U | T | U | ■ | E | S | T | E | E | M | ■ | W | A | S |
| E | D | I | T | S | ■ | ■ | ■ | S | W | A | Y | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | C | E | L | L | A | R | ■ | S | H | A | L | O | M |
| E | M | U | ■ | Y | E | S | E | S | ■ | A | M | I | N | O |
| G | A | L | A | ■ | T | I | N | E | S | ■ | S | P | U | D |
| G | N | A | R | L | ■ | A | D | A | P | T | ■ | S | S | E |
| S | E | R | I | A | L | ■ | S | T | A | N | C | E | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | A | R | E | A | ■ | ■ | ■ | T | A | R | T | S |
| I | L | L | ■ | G | E | I | S | H | A | ■ | E | V | I | L |
| D | E | A | L | E | R | S | H | I | P | ■ | S | I | R | E |
| L | A | M | A | ■ | E | L | U | D | E | ■ | A | C | E | D |
| E | K | E | S | ■ | D | E | T | E | R | ■ | R | E | D | S |


MSPDCL

**MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LIMITED**
**Secured Office Building, 3rd Floor, A.T. Line, North A.O.C, Imphal West, Manipur – 795001**

**NOTICE INVITING TENDER**

**(e-Tender)**

Imphal, the 29th July, 2019

No. 2/152(PPM)/2018-MSPDCL-TECH/1191-97 : Manipur State Power Distribution Company Limited (MSPDCL), a Government of Manipur enterprise, invites Sealed Tender for **Supply of 10,000(Ten Thousand) nos. of Single Phase Pre-Paid Energy Meter (complete set) with Pilfer Proof Box** from Original Equipment Manufacturers through on-line submission.

Last date & time of submission (on-line):- 26 / 08 /2019 upto 2.00 P. M.
For details interested bidders may visit website www.manipurtenders.gov.in / www.manipur.gov.in

Interested bidders may visit the website regularly and remain updated for any amendments/modifications/corringendum etc. on the above mentioned Tender. No separate notifications will be given for such amendments/modifications/corringendum etc.in the print media (Press) or intimated to the bidders separately.

Sd/-
(L. PRIYOKUMAR SINGH)
Managing Director, MSPDCL.

SL/B(DIPR)/03